# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-07-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চুরাচান্দপুর জিলাগী মোলনোম খুলদগী আইন্না থিংখ্রবা য়ুনাইতেদ কুকি নেসনেল আর্মি (য়ু.কে.এন.এ)গী মকোক থোংবা কাদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৬ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা পরিক্ষাশিংগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ভিদিও পাউজেল অমনা পুং ২৪ দা ভিউ খ্বাইদগী য়ামা ফংদুনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমলে।

------

পুলিস (এল)ঃ ভারত লান্মী, অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী মোলনোম খুলদগী আইন্না থিংখ্রবা য়ুনাইতেদ কুকি নেসনেল আর্মি (য়ু.কে.এন.এ)গী মকোক থোংবা কাদর অমা ফারে।

পি.আর.ও দিফেন্সনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীওই অসি লুপ অসিগী ফাইনান্স সেক্রেতরিগী থৌবা পুবনি হায়রি। মহাক মীয়ামদগী পাক্তকনা নমদুনা শেল খায়বা অমসুং মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক কয়াদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোনদগী শেলগী খায়বগা মরী লৈনবা চে চাংশিং ফাগৎখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা মীচমদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তিভ কাদর অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ফারবা মীওই অদু চুরাচান্দপুর বিজাং খুনৌদগীনি হায়রি। মহাক হৌজিকা বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইনি। মঙোনদগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমসুং তোঙান তোঙানবা কেলিভরগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১১ সু ফাগৎলে। মহাক মোইরাংদা লৈবা পেত্রোল পম্প অমদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী নেসনেল হাইৱে-৩৭ কী নৌনা শেমগৎলিবা অমসুং হন্দক্তা লম্বী নীংখায়বগী থৌদোক থোকফমশিংদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার বিদ্যামারি শ্রীধরনা কুপা য়েংশিনখ্রে।

দিপ্যুতি কম্মিসনারনা সভাপতি ওইদুনা ফমখিবা মীফম অদুদা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং কোন্ট্রেক্তরশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা নোংজ্ থা মতমদা নেসনেল হাইৱে অসিগী লম্বী নীংখায়বা য়াবা মফমশিং খঙদোকবা হোৎনবা অমসুং লম্বী কিন্থখিবা মতমদা অচৎ অওক্তা খুদোংচাদবশিং থোকহন্দনবা ৱাফমশিং খন্নখি। হৌজিক লম্বী কিন্থখিবা শরুকশিং অহেনবা মীওই অমসুং মেছিন শিজিন্নদুনা হান্নগুম চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ানবসু দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ফোংদোকখি।

কাং (এল)ঃ নুমিৎ ৯ নি চুপা চত্থরকপা ভগবান জগনাথ, ময়াম্বুং বলভদ্র অমসুং মচন ইবেম্বা সুভদ্রাগী কাং চিংবগী থৌরম পুরনা যাত্রা-কাংলেন পাঙথোক্কুনা ঙরাং লোইশিনখ্রে।

রাজ অসিগী তম্পাক্কী মফম কয়াদা কাং চিংবগী থৌরমশিং মহৌশাগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখি। নুমিদাংগী মতমদা খুবাক ঈশৈ শক্কুনা লাইগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

ককচিং ৱাইরি খুনয়াই লৈকাইগী মহিলা সঙ্গিৎ এসোসিয়েসন্না নৌনা পুথোকপা খুবাক ঈশৈ জিলা অদুগী খুনয়াই লৈকাইদা লৈবা রাধা গোবিন্দদা মন্দবতা পাঙথোকখি।

গেমস (এল)ঃ স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা পাঙথোক্লিবা কম্মনৱেলথ গেমস ২০২৬ কী নুপাগী কিলোগ্রাম ৫৫ গী বোক্সিংদা মণিপুরগী মনদেংবম জাদুমনি প্রি-ক্বাটর ফাইনেল চংলে। ঙরাং প্রিলিমিনারি বাউট অমদা জাদুমনিনা স্কোটলেন্দগী এরন কলেনবু য়ামা লাকচনা পোইন্ট ৫-০ দা থোইখিবনি। প্রি-ক্বাটর ফাইনেলদা জাদুমনিগা পাকিস্তানগী সুমামা রেহমনগা হয়েং নুমিদাং পুং ১১ মিনিত ৪৫ চৎপা মতমদা থেংনরগনি।

গেমস অসিগী হৌজিক ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী তকমান ৬, লুপাগী ২, শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ১৩ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। ভারতনা নুপাগী হেভিৱেথ পেরা পৱার লিফতিং ইভেন্টতা শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংদুনা ৯ শুবা মফমদা লৈরি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৬ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা পরিক্ষাশিংদা ক্বেসন লিক ওইবা অমদি অরানবা তৌবশিংগী মায়োক্তা সরকারনা

পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদা পাউদমখিবা ভিদিওনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমলে।

প্রধান মন্ত্রিগী পাউদম অদু ইন্টগ্রামগী রিলদা পুং ২৪ দা ভিউ মিল্লিয়ন ৩০৩ ফংখি। প্রধান মন্ত্রিগী পাউজেল অদুদা সরকারনা মহৈরোইশিংগী একাদমিক কেরিয়র মাংদনবা পরিক্ষাশিং মতম চানা পাঙথোকবা হোৎনরি। পরিক্ষাশিং অসিদা অরানবা তৌবা ওফিসিয়েল অমসুং চেন্নবা মীওইশিংবু চপ চাবা দন্দি পীননবা ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট লিংখৎনবসু কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দল মীফমদা পুথোক্কুনা খন্নগনি হায়না ফোংদোকখিবনি।

অমরোমদা, পেপর লিক অমসুং পরিক্ষাদা অরানবা থৌওংশিং চত্থবশিংগী মথক্তা হেন্না কনবা দন্দি পীবা ঙমবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা ঙরাং ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট অমা লিংখৎনবা দ্রাফট বিল অদু অয়াবা পীখ্রে।

পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা দ্রাফট বিল অদু অয়াবা পীখিবনি।

সরকারগী পাউ পল্লদুনা অকাশবানিগী পাউমীনা হায়- দ্রাফট বিল অসি মথং চয়োলদা সংসদতা পুথোক্লবা য়াই।

দিল্লি পুলিসনসু লৈবাক পুম্বগী ওইনা পাঙথোকপা পরিক্ষাশিংদা অরানবা তৌবা মীওইশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা স্পেসিয়েল টাক্স ফোর্স অমা শেমখ্রে। টাক্স ফোর্স অসিনা য়ু.পি.এস.সি- এস.এস.সি- রেলৱে রিক্রুটমেন্ট বোর্দ, আই.বি.পি.এস- এন.টি.এ অমসুং কেন্দ্র সরকারনা লৌবা পরিক্ষাশিংদা কুপা য়েংশিল্লগনি।

এটেক ঃ মোজাম্বিক লৈবাক্তা রেজিষ্টর তৌবা এল.পি.জি পুবা জহাজ দিসাদা এটেক চত্থরকপা অদুবু ইরানগী তেহরানদা লৈবা ভারতকী এম্বেসিনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। এম্বেসি অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ওইল টেঙ্কর অদুনা ইরানগী সমুদ্রগী শরুক্তা পোৎ চৈ পুদুনা চৎলিঙৈদা এটেক অদু চত্থরকখিবনি। ওইল টেঙ্কর অদুদা ভারতমচা ২৮ ক্রু ওইনা মথৌ তৌবনি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৮ দা রসিয়াগী ব্লেক সিগী শরুক্তা মথৌ তৌবা কম্মর্সিয়েল জহাজ- এম.ভি. ওমোরফিদা এটেক চথরকপদা ভারত মচা অমা লৈখিদ্রে। কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়- জহাজ অদুদা ভারত মচা অহুম য়াওনা ক্রু ১০ মথৌ তৌবনি। থৌদোক অসিগী পাউ হেক ফংবগা ভারতনা রসিয়াদা লৈবা এম্বেসিগা পাউ ফাওনদুনা পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎলে। মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জৈসৱালনা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা সমুদ্রগী ইন্তরনেসনেল লোশিং নিংথিনা ঙাকনবা ৱাফম কয়া থম্লক্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

স্পেসিয়েল কোর্ট লিংখৎতুনা মণিপুরগী কেস নুমিৎ খুদিংগী ৱায়েল চথনবা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খ্রে অমসুং মেঘালয়গী সি.এম. কোনরাদ সংমা ইম্ফালদা লৈরি, অচুম অরান খঙদনা মী অমবু হেক্তা লৌথোকউ হায়বসি ফজবা ওইদে হায়বা মহাক্কী ৱাফমনা পোকফমগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

ঈশিং থুমজিল্লবসু মফম কয়াদা কাং চিংনখি, কোনুং কাং চিংবদা সি.এম. য়াওখি হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

দি.আই.পি.আরনা পাঙথোকপা মিট দ প্রেস থৌরমদা পি.আর. অমসুং আর.দি দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে হায়বা পাউনা মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

সনালৈবাক্তা- দ্রেনেজ শেমজিনবা লোইদবগীরা নত্রগা শেন্বা লোইখিবগীরা নোং খজিক হেক চুবদা ঈচাউদি থোক্লে, চাওখৎপা ষ্টেটশিংদসু লম্বীদা ঈশিং অদুমক থুম্মি হায়গদৌরিব্রা হায়বা অচৎ অওকশিংগী ৱাফম অমসুং ইমা কৈথেলশিংনা লমদম অসিগী শেনমিৎলোন য়োকখৎপদা চাউনা মতেং

পাংলি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোটোগা কোন্ননা ফোংলি।

মিট দ প্রেস থৌরমদা মতম চানা পঞ্চায়ট মীখল তৌবা ঙমদবনা রাজ্য অসিদা লুপা কোতি ৬০০ হেন্না মাংলে হায়বা আর.দি এন্দ পি.আর বিভাগকী ৱাফম অমসু মুখ্য মন্ত্রিনা শলামদা দাইট ত্রেনিং সেন্তর অমসুং কৈথেল শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং এন.পি.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমানা নিট পেপর লিক্কী মতাংদা থিজিন্নবা তকশিল্লকপগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লৈলোন ভাইফৈ খুলদগী ফারগা হাৎতোকখিবা পাষ্টর মানুগী য়ুম অমসুং স্কুলদগী লুপা লাখ ১৪ রোমগী পোৎ চৈশিং হুরানখ্রে অমসুং দি.এম.য়ুগা দিল্লি য়ুনিভর্সিতিগী মিরানদা হাউসকা এম.ও.য়ু খুৎয়েক পীনখ্রে হায়বা পাউশিং হুইয়েন লানপাউগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

কেন্দ্র সরকারনা নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিগী ওফিসিয়েল ৪৭ থবক্তগী টরমিনেট তৌখ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার তমেংলোংনা মথং থাগী মরি ফাওবদা ভোতরশিংগী অকুপ্পা মরোল শেমদোকবা নোতিশ অমা থোকখ্রে হায়বা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

------